# ‘মণিপুর কৌবী সনা লৈবাক-!’

**- এল ইবোমচা -**

চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই, ফাদোক্লগা ফরা শাই হায়বা ঐখোয়গী ইপা ইপু অহল-লমনশিংগী পাউরৌ অসি য়াম্না চুম্বা জাৎনি। হায়বদি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতম নিংথৌশিংগী হাক্তক্তগী অমসুং দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ইন্দিয়াদা তিল্লবা তুংদা মণিপুর লৈঙাকপশিংনা চেকশিন্না লৈবাক ঙাকহৌদবদগী য়ূমলোন্নবা বর্ম্মা (ম্যান্মার) লৈবাক্তগী মণিপুরদা মশীং খঙদনা চঙলকখিবা কুকি কয়াবু থিংননবা হোৎনহৌদ্রে। হন্দক্তসু ম্যান্মার লৈবাক্কী মিলিটরি জুন্তানা মখোয়গী লৈবাক্কী লমহেনবশিং ফানবা কন্না হোৎনরকপা মতমদা মণিপুরদা চঙজফম পীবিনবা নীরবদগী মণিপুর লৈঙাক্লা মাগী মিনিষ্টর, এম এল এশিং তানরগা চংজফম পীবিখিবা লৈখ্রে। ম্যান্মার লৈবাক্তসু মৈতৈ য়াওনা ফূরুপ কয়ামরুম্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈ। অসুম্না চংজফম পীবিনবা নীররবা অসিদা অতোপ্পা ফূরুপকী মীওই অমত্তা য়াওদনা কুকি ফূরুপকী মীওই খক্তনা চংজফম নীরবগী মরম নৈননীংঙাই ওই। মসিনা তাক্লিবদি মখোয় অসি মরৈবাক ম্যান্মারদা চন্নদবা মালেম লূম্নবা পোকপা মীফৎতা ঙাক্তা ওইবননি তাকচৈ। থৌওং অসিমক ফাদোক্লগা ফরা শাই হায়বদুগা পাংখক্লি হায়বা য়াই। হায়বদি কা হেন্না লম হেনবদগী মরৈবাক ম্যান্মারদা লৈবা য়াদ্রবা লমহেনবা কুকি ফূরুপকী মীওইশিংবু মীনুংশি উৎপা শারদুনা চংজফম পীরুবা হায়বসি ফরা শারে হায়বগী চপ চাবা খুদমনি। কুকিগুম্বা ফূরুপ অমগী মীওইশিংদা মীনুংশি অমসুং পুকচেল চাওবা শাবা হায়বসি মখোয়না থাকপা লাংদা ইশা শিজরগে হায়বগা চপ মান্নে। মীনুংশি খঙদবা মীদা মীনুংশি উৎলগা থৌজাল ইরিক খিক্লুবা হায়বসি ইশানা ইশাগী ইমং শেমজরবনি খনবা য়ারে। ঐখোয়গী লৈঙাকসু কাউমন্নসু কাউই হায়বমক য়াই মদুদি মমাঙঙৈগী মতমদা অৱা লৈবাক্লা মৈতৈ লৈবাক্তা লান্দারক্তুনা মৈতৈ মচা কয়া কয়াবু ইমুংদা হোইজিল্লগা মোরোক মৈ থারগা হাৎখিবা অমসুং মখূবাক্তা য়াইরিনা লেংলগা লানফা ওইনা পুখিবা নীংশিংহৌদবা মাল্লি। লান্দা অসিবু মণিপুরনা ঙসি ফাওবদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়না খঙনদুনা লৈরি। লান্দা অসিগী ইনিল হৌজিক ফাওবা কোক্ত্রিঙৈগী চৈরক অসিদা হন্দক্তা ম্যান্মারগী কুকি ময়াম চঙজফম পীরুবা মসিমক মণিপুর লৈঙাক য়াম্না চাউবা মরাল লৈরে তাকই। ঙসি ঙসিমক ইমা লৈবাক মণিপুর মৈ হৌনা চাক্লিবা অসি মরাল অসিগী চৈরাক অমনি হায়বা য়াই।

ইনুং শোরা তৈরকপা, চীঙ্খৈ ফিদুপ হুল্লকপা, অঙনবা অয়ূক্কী মতম লাকপা মতমদা ৱাক্কী লানবাউ শিনবা ইরমদম, পোন্বী য়েংই ৱাত্তবী, চেক্লা য়েংই নোপ্তুবী, বসন্তা মতমদা পোন্বী চেক্লা খিবিক্লা পামেল ফৈরা থক্তা তোংদুনা মপুগী কোলোই শক্লিবী ইমা লৈবাক মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈশিং অসিগী মীনুংশি চাউবা অমসুং থৌজাল হৈবগী মতৌশিং অসিমদি কুকি ফূরুপকী মীওই অমত্তনা মপোক মপোক খুদিংদা তমজবা ঙল্লোই। মরমদি তাইবঙ মপূনা কুকি ফূরুপ্পু মীগী শক্তম ওইননবা শেন্বীরকপদা মখোয় মখোয়গী মকোক্তা থৌজাল, মীনুংশিগী ৱাখল পোক্লনবা মচাক করিমত্তা হাপ্লক্তবা মাল্লি। অদুগা মৈতৈ ফূরুপকী ওইনদি তাইবঙ মপুনা মীগী শক্তম ওইননবা শেম শারকপদা থৌজাল অমসুং নুংশিবগী মচাক পীক থন্না কোকশিংদা হাপীরকই। মরম অসিনা মৈতৈ খুদিংনা নুংশিবনা পূন্নমক্তগী অথোইবনি, লাইমক্লি হায়না খন্নদুনা লৈ।

মরম অদুনা নুংশিবা হায়বসি থম্মোয় অনীগী মরীনি, থম্মোয় মশেল তিন্নবনি খন্নবনা তাইবঙ পানবদা লৈরিবা লেংলি পাল্লিবা পূন্নমকপু অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা চপ মান্ননা নুংশিবা ঙম্মী। অমরোমদা নুংশিবা হায়রিবা অসি মীওইবগী পূক্লিংদা ফাওজবা খ্বাইদগী থোৎপা নৌবা অমসুং অথুপ্পা নুংগী ওইবা পুকচেলনি। কনাগুম্বা অমগী মফমদা কাইহৌরুবা তৌরুদনা মশা মরোমদোম থোকচরকপা ইহুল অসিনা মী অমগা মী অমগা অনীগী মরক্তা থাজনবগী অচেৎপা মরী থম্নদুনা তাইবঙ মীওইবগী পুন্সিবু মমল য়াম্না য়ামহল্লি। পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমনসু মমা নুংশিবা খঙহল্লিবা অসিনি। মসিনা মী অমগা মী অমগা মরক্তা নত্তনা মীগা তাইবঙগা অনীগী মরক্তা অচৌবা মরী অমা লৈনহল্লি। নুংশিবা কৌবা য়াওদ্রবা মী অমগা মী অমগা অমসুং খুন্নাইগা মরক্তা লৈনবা মরী অদু তৎখিদুনা হাৎন-শুনবা অমসুং লান হায়বদু থোক্লকই। অদুগা ঐগী মীগী নাইদনা মীনুংশি চেনবা মীওইদি মশাবু ইকায়খুম্নবা ওইরবনা অপাম্বগী মতাংদা থোঙ ঙাকপগুম ঙাক্তুনা লৈ, অৱাবা তারবা মীবু মরুপকুম্না কোনবী অদুগা চাওখৎ লম্বীদা চীংশিনবী। মহাক্লা মী অমনা চাওখৎলকপা অমসুং মীথোই মীহেল্লবা মীওই অমা ওইরকপদা করিমত্তা মীতারুবা লৈতে। মীনুংশি চাওবা মাদি চাম্মরক শিবা তারবসু মতিক চাদবা মফমদা লেপ্লুবা তৌদে। মহাক চাম্মা তাইরবা ফি নৎত্রগা ফিজেৎ ফিগাইগী ফিরোল শেৎ চাদুনসু মীগী মতেংদগী ফনা কান্নগদবা লৈদুনসু মহাক্লা মীগী থোঙজিন্দা খক লেপ্লুবা লৈতে। অসিগুম্বা মীওই অসিগী পুকচেল অসিনা অমরোমদা ফত্তবা কয়া লৈরবা থোক্লবসু মদু থাদোক্কদবনি হায়বদি হায়নীংদে। মসিমক্তি তশেংনা মুন্না খন্থরুরবদি মীওইবগী পুকচেলগী ফজ খ্রবা লৈতেং অমনি। মহাক্লা শিখিবা থোক্লবসু মতিক চাদবা মীওই অমা খক ওইখিদে।

চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদা মীওইবনা হিংনবগী পান্থৈ অতৈ খঙনদ্রিঙৈদা শা তান্দুনা হিংনবা হোৎনরম্মী। শা তানবা হৈবা অমসুং ফাবা ঙম্বা মী অদুবু মথৌনা মরিংজেল লৈবা মীওইনি হায়নদুনা কি হঙ্গৈইনা ইকায় খুম্নরম্মী। খূৎলায় শাবা হৈত্রিঙৈদা ফূন-চৈনবদা খুজিন্না খোৎনরম্মী অমসুং ময়ানা চিক্লরম্মী। হৌজিক্লা খুজিলনা খোৎনদ্রবসু অমসুং ময়ানা চিক্লরুদ্রবসু হেক শাওবগা মখূৎ মশা য়াওনা ময়া ক্রক ক্রক চিক্লরি। মসিমক মীওইবশিংনা মৈহৌরোলদগী চৎনরম্বা মচৎ অদু কাউবা ঙমদবদগীনি। মতৌ অসিগুম্না কনাগুম্বা ফূরুপ অমা চাওখৎলে চাওখৎত্রি খঙগে হায়রবদি ফূরুপ অদুগী হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা নাৎ চৎনবী অদু উরগা খঙলগা ইরায় লয়না খঙবা ঙম্মী। শম্না হায়রবদা করিগুম্বা থৌদোক অমগী অচুম অরান অমা লেপ্পা মতমদা ঐখোয়গী কষ্টমরি লোনা ৱায়েঞ্জনি হায়না হায়জবা অদুগা খজিক্তং শাওরকপা মতমদা শাবুক ঙাবুক খঙদবগী মতৌদু উৎপা ওইনা শেৎলিবা মফি তাখৎলগা নঙনা তৌজ-শারিবা অদুদি ইথুনগুম্বনি হায়দুনা নিংজোলদা পোপ পোপ থাদুনা ফূবা অসিমসু অমনি। মীওইবগী ৱাখল পূক্লিং, অপাম্বা, নুংঙাইবা, অৱাৎপা, অৱাবা অমসুং লিচৎ শাজৎকী মমি পূন্নমক মখোয়গী নাৎ চৎনবীদা নিংথিনা মমি তাই। মতৌ অসিগুম্না কুকি ফূরুপকী মীওইশিং অসিসু মখোয়গী নাৎ চৎনবীদা হিংশাগী মচাক কয়ামরুম য়াওবা থেংনবনা তাইবঙদা অহিংবা হায়বসিগী ৱাহন্থোক কয়া লৈতবগী লিচৎ শাজৎ চৎলি। অমরোমদা চাউয়েং য়েংবদা অচুম অরান খঙদবা অসিসু অমনি। অরানবা অমসুং চুমদবনা মতমগী তাঙ্কক কয়াদা থৱায় পানবা কয়াবু তুহৎ নৈহৎপীরবসু মমৈদদি অশোনবা ওইরবা লান্দবা অচুম্বা অদুনা লাকচরকই হায়বসি মখোয় মশা খঙজবা ঙমদে। মসিমক্তি মৈতৈশিংগী ওইনদি লিবদগী লিরবা মোইরাং কংলৈরোলগী খন্বা থোইবী ৱারীদগী য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদগী হৌনা খঙনখ্রে। হায়বদি ৱারী অসিদা ফত্তবগী শক্লোন পুরিবা নোংবানগী লাংলৌ কয়াদা লাঞ্জদবা লাইর মচা খম্বনা নংখিবা অৱাবা কয়া কয়া লৈ। ৱারী অসিগী অরোইবদা লান্দবনা লাকচরকই হায়বগী মওং উৎপা ওইনা চৈরাপকী অচুম্বা ৱায়েলনা খম্বগী অচুম্বা খঙখি। অমরোমদা নোংবানদি ওইদবা থবক তৌবগী কোংই। ৱারী অসিগী লান্দবনা লাকচরকপগী ফীভম মতৌসি মৈতৈশিংগী কোকশিংদা চংদুনা লৈবনা মীঙোন্দা য়ারিবমখৈ লান্দনবা হোৎনবা মীওইশিংনা লৈবা অচুম্বা নুংশিবদা য়ূম্ফম থোনবা ইমা লৈবাক মণিপুরনি। মরম অসিনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু ‘চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা, সনা লৈবাক মণিপুর, কোলোই নঙগী মণিপুর কৌবী সনা লৈবাক’ হায়না মীয়াম্না শিংথানৈ। অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা ‘মণিপুর কৌবী সনা লৈবাক-!’ অসিদা মীনুংশি খঙদবা হিংশা পাম্বা ফোরেনর নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং অসি মখা তানা শৈদাংফম পীফম থোক্ত্রে। ●

# ‘মীবু চানবা শা-ষণ হাৎপগুম মতুপ-মতুপ কক্তুনা হাৎপা!’-২

**- মোইরাংথেম নবকিশ্বর-**

ভারতসিবু পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়বদাই? হৌজিক কনানা লৈবাকসিদা লৈঙাক চলাইরিবগে? মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক ঙাক্লিবরা? সিফাইনবু লৈবাক ঙাক্লিবরা? সিফাইনা লৈঙাক্লগনা করিগী মখোয়গী মমাঙ-মমাঙমক্তদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংগী য়ূম পূম্বা বুল দোজর থৌজিন্দুনা তেমথোকপদা কুঙ্খৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো? করিগী সিফাই মশীং ৱাংলি হায়রিবা? সেন্ট্রেল ফোর্স লিশীং ৬০/৭০ অমগা ষ্টেট ফোর্স লিশীং ৪০ রোম লৈনা লৈনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরিবা কুকি টেররিষ্টশিং অসিনা লৈবাক ঙাক্লিবরা? অশেংবা অমত্তদি খঙহনবীরো। নৎত্রবদি অঙম অঙম্বা হাৎনবা, অউ-অউবা হাৎতোক্লবা সিভিল ৱার হায়বদু লাকপা তারে। য়ূম লৈতনা, চানবা য়াওদনা, পুন্সি পান্দম করিনো খঙদনা তাইবঙ মীওইবনা কয়াম কুইনা, তীল-কাংগুম কোইপাই পাইদুনা হিংবা য়াগদগে? লৈঙাক অমা লৈরগদি লৈঙাক অমা লৈরি হায়বদু উৎথোকপীরো। লৈঙাক লৈত্রগনা সরেন্দর তৌবীরো মীচম মীয়ামদা লৈঙাক শিন্নবীরো। ৱারোইশিন অমা মীচম মীয়াম্না পুজরক্লসনু। ঙসি লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা সিফাইশিং অসিনা পায়রিবা মগুন লৈর-লৈরবা নোংমৈশিং অসিবু লৈতেংগীরা? অসুক য়াম্বা নোংমৈশিং অসিবু লমহেন তুহেনবা, আইন কায়না থবক তৌবশিং, মরাল লৈতবা মীচমশিং নুংশি হৈতনা হাৎপা ঙম্বা মীহাৎপশিং অদু তান্ন-তান্নদুনা কাপ-কাপ্পুনা হাৎনবা নত্তব্রা? মরাল লৈবশিং তান্ন-তান্নদুনা কাপ্পুনা হাৎত্রিবা করিগীনো? ফমুংদা অহিং নুংঙাইনা তূমখুন তান্দুনা ইয়ূম শঙদুনা লৈজরিঙৈ ফমুংদগী চিংথোক্তুনা থাঙনা মতুপ-মতুপ কক্লগা হাৎলিবা মরাল লৈবা মীওইশিং করিগী তান্ন-তান্নদুনা হাৎত্রিবা করিগীনো? মসিবু মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈবগী মহয়রা? অদুগুম্বা মরাল লৈবশিং অদুরা ঙসি রিমসকী, জেনিমসকী অমদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংগী মোর্গতা য়াতাদুনা লৈরিবা থৱায় য়াওদ্রবা মশক খঙদ্রবা হকচাংশিংসে? ঙসি ফাওবদা থা ৩ হেল্লক্লবা ফাওবদা মথৌ মঙম অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরিবসে লৈঙাক লৈবগী মহয়রা? অদুসু দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক! মরাল শুকলৈ লৈজখিদ্রবা থৱায়শিং অদুগী আত্মা শান্তিগীদমক করি তৌবীগদৌরিবা?

কাঙলূপ অনী করিগী অসুক য়ৌনা য়েংথিনখ্রিবা অমদি য়েংথিনরক্লিবা, করিগী থিদোকপা ঙমদ্রিবা? থা অহুম হৌখ্রেনা! হেন্না হেন্না য়েংথিনরক্লিবা করিগী? ঙরাংতা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইরিবা হরিয়ানাগী গুরগাউন্দা থোকখিবা কাঙলূপকী ঈরাংদি নুমিৎ হুমনিদা লোইশিনবা ঙমখ্রগা মণিপুরদা থা অহুম হেল্লক্লবদা করিগী ঙমদ্রিবা? লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়রিবা রুলিং অমদি ওপোজিসনদা ফল্লিবা পার্টি অনীমক্লা মণিপুরগী ৱাথোক অসিবু লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪গী পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনগী মায়ওন লেপহনগদবা গেম প্লে পোলিটিক্স ওইনা ঙসি ফাওবা শান্নদুনা লৈরিবা করিগীনো? শিনরিবশিংসে তাইবঙ মীওইবা ঙাক্তনি। মী হাৎনহনবগী পোলিটিক্স তৌবিরিবা করিগীনো? মী হাৎনহনবগী পোলিটিক্স তৌবীগদবা ওইরবদি লৈবাক লৈঙাক লিংবগী থবক তোকপীরো। দেমোক্রেসি মূথৎপীরো। অদুঙৈগুম নিংথৌ অমা খল্লগা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল সি তৌসি, সিমখৈ তৌরোইসি ৱাতান্নদুনা ঈংনা-চিক্লা ইনীং তম্না হিংজরগে। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### ‘লানদবু করম্বা ফজবা শক্তম উগদগে’

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীওইবা অমগী মগুন লন-থুম, সনা-লুপানা লেপ্লুবনা ঙসিদি ইরমদম মণিপুর অসি ৱাথোক কয়া, ইস্যু কয়ানা পীক থনবা লৈবাক ওইহল্লেদনা। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়না কনানো, করিনো খলহৌদবনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলদা লেপ্লুবনা হৌজিকমক ইরমদম মণিপুর অসিদা করিসু ৱাথোক মচা অমসিফাওবা ঐখোয়গী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লাকশিনবা ঙমদবা অসি ঐখোয়না থাগৎলুবা মীহুৎশিং অসি মতিক চাই হায়না ঐখোয়না খনগদৌরিব্রা। ফোংনা য়ূমথংনবা লৈবাক্তগী মীতোপ চঙলক্লবা ফাওবা থিংবা ঙমদবা, আইন্না য়াদ্রবা টেররিষ্ট গ্রুপ খরনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী য়ূম মৈ থাবা, লন-থুম মুনহনবা, মসিদা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্লা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মখাদা লৈদুনা শক্তি শীজিন্নবা ঙমদবা হায়বসি মখোয়না মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপা মতমদা অরানবা পাম্বৈনা ওইরকপা মীহুৎ ওইবনা মশা মশাগী শক্তি মশক খঙদবা ওইগনি। ঙাঙবা-শকপদদি তাবা য়াম্না নুংঙাই, হেক্তা থবক পাঙথোক্কদবা অদু মঙাই, তৌরকপা থবক্লা অঙাং মচাগী, অঙাওবা মীনা চৎপা, ঙাঙবগা চপ মান্নে। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা লৈরগা, ঙাঙখিবা ৱা ঙাক্তবা, মশাগী শক্তি শীজিন্নবা হৈতবা হায়বসি মীয়াম্না মখোয়বু করম্না খনগদৌরিবনো। লৈবাক ঙাকপা, লৈবাক শেম্বা হৈত্রবদি করিগী মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়দুনা চোঙথোরক্লিবনো।

অসুক কুইরবা কুকি টেররিষ্টকী লমহেল্লবা থবকশিং অসিবু ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি ফমদুনা ৱারেপ অমফাও লৌদনা তূমিন লৈদুনা নোংমনা অমা হায়, নোংমনা অমা তৌদুনা অসুক কুইনা লৈবাক অসিবু ৱাহনবা অসিবু চুল্লিব্রা? থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী করি মথৌ তারি, মসিদি নথৌনা য়াওদবা পাঙদবগী মতৌনি। এম এল এ, মিনিষ্টরগী ফম খক্তা পাম্বা উকংনা শাবা লাইগুম্বনি নখোয় পূন্নমক ইন্দিয়া লৈঙাকপু ঐখোয়না কিফম থোক্তে। মরমদি ঐখোয়সু নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈজরম্বনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়বু নমদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা মখোয়গী ফিবান্নুংদা চলহনখিবনি। মসি খঙদবা নখোয় করিগীনো। লৈখিদ্রবা ডো. বি আর অম্বেদকরনা শেম্বীরম্বা ইন্দিয়ন কন্সটিটুট্যুসন অসিবু ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসিগী মালেম অসিদা খোঙ্গৈইনবা অসিবু করম্বা মীয়ামগী মীহুৎনা শেমজবা লৈঙাক্লো? মীচম মীয়ামগী লন-থুম মাঙহনবা, য়ূম মৈ থাবা, মীবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা, মখোয়না পাল্লিবা দিমান্দ খুদিংমক য়াম্না ঈংনা চিক্লা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা দিমান্দ তৌবা য়াদবরা? অদুদি নত্তদুনা লৈবাক মীয়াম্বু ৱাহনবা টেররিজমগী ওইবা থবক ঙাক্তা তৌবা অসিদবু ইন্দিয়া লৈঙাক, মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈবা হায়বসি দেমোক্রেসিবু/কন্সটিটুট্যুসনবু শেম্বীরম্বা লৈখিদ্রবা ডো. বি আর অম্বেদকরবু ইকায়বা পীবনি হায়না ঐখোয়না লৌদবা ঙল্লোই। ডো. বি আর অম্বেদকরনা শেম্বীরম্বা ফজখ্রবা ইন্দিয়াগী কন্সটিটুট্যুসনগী ওইবা চৎন-কাঙলোন অদু ঙসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী লৈমায়সিদা মফম কদাইদা চৎখ্রবগে হায়না মীচম মীয়াম্না হংজরি। ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইনা অসুক য়াম্না অওনবা চাওখৎপা কয়া ফংলবা অসিদা নূঙগী চক্কী ৱাখল খন্দুনা শা-লান অসুক য়াম্না পাল্লিবা অসিবু মখোয়বু করম্বা মীওইবা কাঙলূপনো। য়ানদবা, য়েৎনবা ৱাফম খুদিংমক লোইনা ৱারী শানরগা য়ানবা পুরকপা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী ইথৌ নত্তবরা? মসিদা ঐখোয় মশেল হাৎনরগা করিনো ঐখোয় নখোয়দা ফংগদৌরিবা। মসিদি শিংই হায়দুনা লৌবা য়ারোই, অপঙবগী থবক ওইগনি। মীবু উশিত্তনা লাকচনা হঞ্জিন হঞ্জিন তৌরবদি শাউরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। অদুবু অশাওবনা মীওইবা ঐখোয়দা করি কান্নবা, ওইজবা ফংবা য়াওবগে। অদুনা লান্না চৎলুরবা ৱাখল অমদি থবক পূন্নমক থাদোক্তুনা অফবা, অচুম্বা লম্বীদা লাকপা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী তাইবঙ মপুনা য়াবা/তাকপা লম্বী অদুনি। মরম অসিনা মালেমগী ওইবা অচৌবা মায় পাকপা, নুংশিবগী লীপুন্না শেমদুনা মালেমসিদা শক তাকপা ঙম্বা কাঙলূপ অমমম ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় ইশা ইশাগী ইথৌদাং ওইহনসি, ইরমদম ইজাতিশিং তংদু লৈতানবা। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি, কুকি নুপী অনী মফি থোংদনা মৈতৈশিংনা মীয়াম মাঙদা খোঙ্গৈইনবা অসি মৈতৈশিংনা হান্না পাঙথোরকপরা, কুকিশিংনা হান্না পাঙথোরকপরা, মসি খঙদোক্লবা মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা ওইবিরিবা ইকায়খুম্নজরিবা সী এমনা অথুবা মতমদা এসেমব্লিদা মে ৩, ২০২৩দা চুড়াচান্দপুরদা করি করি থোকখিবা হায়বদু হাউসতা থমদুনা খন্ন-নৈনরকপা মতমদা অচুম্বা অশেংবা অদু শোয়দনা ফংগনি।

ঐখোয়না খঙবা হায়ববু মালেমগী ওইনা টেররিজম মূথৎপা হায়বা ৱাফম অমদি তাই অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তি টেরিজম য়োকখৎতুনা লৈবাক্কী শক্তি পায়নবা হোৎনবা, মসিদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি করম্বা মওংদা হিংগনি, য়ূম মৈ চাকপা, লন-থুম মাঙহনবা, নুপী ওইবীশিংগী ঈজৎ শোকপা, প্রজা মশেল অঙম অঙম ওনশিন-ওনশিন্নদুনা হাৎনবা মদুখক নত্তনা। ফনবু নুংঙাইরি ডো. বি আর অম্বেদকরনা শেম্বীরম্বা কন্সটিটুট্যুসন চৎনরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা, অঙকপনি।

**অদোমগী - ৱাহেংবম থোইবা মৈতৈ,** কুম্বী কাংজৈবুং

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২**

১) **“লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **“পাউখুম”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **“ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা / নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।”** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **“সাহেবকী থৌজাল”** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### লৈঙাক্কী য়ুরিয়া হার মমল তাঙনা দুকান্দারশিংনা লৌগী পাট্টা, আধার কার্দ খোন্নগা য়োল্লে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৈবাক্কী ঈরাংনা মরম ওইরগা অসুক ৱারবা মতমসিদা লৌমীশিংগী ঈ থক্লিবা দুকান্দারশিং অমদি হারগী মপু ওইরিবা ফম্নাইবা কনানো? মণিপুর মীয়ামগী পুকচাক পুথোক্লিবা লৌমীশিংদা করিগী শেন্দানফম ওইরিবনো? লানসিদা ৱানা লৌ উরিবা লৌমীদগী শেন্দোং তান্দুনা শেঙ্গাও চোন্নবা হোৎনরিবা নখোয়বু মীনুংশি, ধর্ম্ম হায়বদু নথম্মোয়দা মচেৎ অমত্তা পোকপদগী য়াওরক্তবসি করম্বা মখলগী জিবনো? শেল য়াম্না পাম্বগী ঙসিদি নুংঙাইগনি, থংনবা নুমিৎ হয়েংদি থম্মোয় কায়দুনা নমীৎতগী নপি লেপ্তুনা তাগনি হায়বসি কাউফদে।

ঐনা ফৎত্রবদি ইচাদা লাকপনি। মীওইবসি দষাগী মনাইনি, ঙসি করি থোক্কনি খঙদবা পুন্সিনি। লৌ মতমদা চহী খুদিংগী হারগী মতাংদা ফনা কন্না লাওনৈ। অদুবু ইকায়বা হায়বদুদি খঙদ্রবা জিব ঙাক্তা ওইরে। হন্দক্কী কুমজাসি মীতৈ কুকিগী লান অসিনা মরম ওইরগা মীশি মীনা থোক্তুনা লৈরিবা লমদমসিগী মচা নৎত্রা নখোয়বু?

লৈঙাক্কী মমল ‘য়ুরিয়া’ বেগ অমদা মমল লুপা ২৬১.৮০ পীরি। অমনা ‘মুক্তা পৱার’ বেগ অমদা লুপা ১৫০ পীরি।

১) য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ৮৫০দা য়োল্লি। (২) মুক্তা পৱার বেগ অমদা লুপা ৭৬০দা য়োল্লি।

হায়রিবা মমল অসি ঐ ইশামক্লা লৈজরুবদা য়োল্লম্বা শেনফমনি। দুকান অমনা লৌগী পাট্টা, আধার কার্দ পীরগা ‘মুক্তা পৱার’ লুপা ১৫০ পীবদু লুপা ৭৬০দা য়োল্লি। দুকান অমদি চে চাং লৌদে য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ২৬১.৮০ পীবদু লুপা ৮৫০দা য়োল্লি। ঐদি চে চাং পুহৌদবনা মুক্তা পৱার লৈবা ফংদ্রে। মরম অসিনা লৌমীশিংদা ওৎপী নৈবীরিবা খুদিংমকপু আইনগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু। পোখোক পুথোকপা লৌমীশিংবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবনা ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। দুকান্দারসিনা শক্তাক চে খোম্বা য়াব্রা? মীয়াম অপংবনি খনগনু।

**অদোমগী :- মুতুম শান্তি।**

### থাগৎপা ফোঙদোকচরি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী চথুরকপা চুড়াচান্দপুরদা থোকখিবা কুকি অমসুং মীতৈ ফুরুপ অনীগী এথনিক ক্লাস অসি থা অহুম হেল্লক্লবা অসিদদি ঈরাং নেল্লে, নোংমৈ কাপ্নবসু লেপ্লে, য়ূম মৈ থাবসু লেপখ্রে হায়বা য়ারে। মীয়ামগী ৱাখলদসু অৱাবা খরদি কোক্লে। অদুবু থম্মোয়গী চৈনাখোল, নীংঙমদবা, পেন্দবগী মৈচাক্তি লৈহৌরি। মশাগী গাড়ী পুথোক্তুনা, মশানা থাও হাপচদুনা মমান্নবীশিং গাড়ীদা হাপ্তুনা পুরগা লানফমদা খুল ঙাক্লিবা মীতৈ মচাশিংবু করি ৱাৎলিবগে হায়দুনা লানফম খুদিংদা কোইচেন চেন্দুনা হীদাক-লাংথক, ফিরোল, শেলগী তেংবাঙ তৌরিবা ইনাও ইবেম্মা লাইশ্রম নিঙোল মুতুম ওংবী অরুনা লৈমা, কৈরাও বিত্র অমসুং মাগী মমান্নবী সোরোখাইবম ওংবী গিতা, খুরাই চীংঙাবম লৈরক্তগী নুপী অনী অসিবু কুকিগী ইনফোর্মরনি হায়দুনা লান্না উবীদুনা তমথীনা ফূবিরকখিবা, মনাদগী লৈ, মঙক্তগী সনাগী লিক পূন্নমক মুনবীখিবা তাবদা ওম্থোক্লা নুংঙাইখিদে। লাইগী মচানিনা মতাং মতম চানা লাই থোরক্তুনা কনবীখি। এম এল এ সুসিন্দ্রো লাক্তুনা খামখি। এম এল এ অদুবুসু ময়াম চঙদুনা খোঙপাক্লা কাওশিনবা, অথিবা ৱাহৈ ৱাতানা চৈবা, ঙাঙবা লাউবা তৌদুনা এম এল এ অদুগী মপোৎ মরল কয়াসু তুম্না মৈ থাদোকখি। সোরোখাইবম ওংবী গিতাগী খুরাইদা লৈবা চেক্কোনসু তুম্না মৈ থাদোকখি অমসুং লাইশ্রম নিঙোল অরুনা লৈমা, কৈরাও বিত্রগী য়ূমসু মৈ থাগনি অমসুং মচানুপাবুসু ফূগনি হায়দুনা মী ফত্তবা কাঙবুশিং অদু হৌদুনা ময়াম অমা লাকখি। কৈরাও বিত্রগী খুঞ্জাশিংনা ঙাকপী শেনবীদুনা অরুনাগী য়ূমদি মৈ থাবা ঙমখিদ্রে অমসুং মচানুপাবুসু ফূরমদ্রে। তাঞ্জা অসিদা অরুনাদি হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈখি। শিরমগদবা দশানি। শিবমক্তি শিহৌদ্রে। মতম খরা হাপ্তামুক হোস্পিটালদা লায়েংলুরবা মতুংদা নাবা ফরদুনা অরুনা থোরক্লে। ওগষ্ট ১১, ২০২৩দা অরুনা অমসুং মহাক্কী মমান্নবী খরগা লোয়ননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মনা পীদুনা থৌনা ফবীনি, কথোকপগী থবক তৌবীনি হায়দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা য়াওরুবা মতমদুদা ময়েক শেংনা খঙখি, অরুনা লান্দে, কুকিগী ইনফোর্মর নত্তে। মরমদম্বু কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা শরুক য়ারম্বী অমনি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি মীচম মীয়াম্না ভোট পীদুনা কারবা ইলেক্টেদ পর্সন অমা অমসুং মীচম মীয়াম অমা ওইজরবসু কথোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌরিবীশিংবু ঐখোয়না নুংশিবগা লোয়ননা শৌগৎপীফম থোকই অমসুং ইকায়খুম্নফম থোকই। অদুনা মোব জ ষ্টিসকী চৎনবী অসি য়াম্না চাওরবা অরানবা অমনি। চুম্মী-লাল্লি খঙদনা মীতৈ নুপীশিংবু মীতৈ কাঙবু খরনা ওৎপীবা, তমথীনা ফূবীবা হায়বসি তাবদা য়াম্না ফজদবা অমনি। লুরবা তানফম অসিদা মীতৈ ঐখোয় হেক ঙল্লিবমখৈ পুনশিন্নবা হোৎনসি। মণিপুর ইমানা য়াইফরে।

**অদোমগী - অদোমগী দল্লিয়ু পদ্মাবতি**
**প্রসিদেন্ট এস ঈ ঈ দি সী দল্লিয়ু ও**
**কোন্থা অহল্লুপ**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।